# হুইয়েন লানপাঃউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎতা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা এস পি জিগী পাউতাক মতুং ইন্না পুলিসনা বোটকী লৈতেং ওইরিবা পুম্ব্রি অনী শিৎপগী শক্তম



সঙাই ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ানবা ম্যান্মারগী বামোন খুঞ্জাওদগী লাকখিবা মীতৈশিংগা ৱাঙ্খ্রে থঙ্গাপাৎ মপালদা লৈবা হ্যুমেন রাইট্স ইনিসিএটিবকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা




ইমুং-মনুংগী মীওইনা থৌশাবীদ্রবা কৈশুমশঙদা লৈরিবা ফাদোকশিংদা এ দি জি পি (প্রিজন) পি দোঙেল, মহাক্কী লোয়নবীনা তেংবাং পোৎলম পীবা



রিং রোদ শেম্বদা শোক্লগদবা তোঙান তোঙানবা মফমগী মীয়াম্না রিং রোদ শেমগদবা মফম হোংবিনবা তরুং খুলদা ফমখিবা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম




৩৮শুবা চহী,২৫৭শুবা মশিং | নোংমাইজিং, পোইনু ৯নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, November 30, 2014, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## সরিতাগী ৱাথোক পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৯ ঃ সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চেওনদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমস, ২০১৪ দা মাগী ব্রোঞ্জ মেদল লৌ হায়বা য়াখিদবগীদমক ইন্টর্নেসনল বোক্সিং এসোসিএসন্দগী বোক্সর এল সরিতাগী মথক্তা পুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থমহন্দনবা থবকশিং লৌখৎনবা ঙরাং লোক সভাদা ওপোজিসন মেম্বর ওইরিবা কোংগ্রেসকী এম পি রঞ্জিৎ রঞ্জননা হাউসকী পুক্কিং চিংশিনখ্রে। জেরো অৱারদা ৱাথোক অসি পুখৎলদুনা কোংগ্রেস মেম্বর অসিনা গেমস অদুদা সরিতানা ৱিন্নর ওইগদবদু ওইহন-খিদবগী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

### অস! লোইরেহে!

কদাইদা অমুক বোম পোকখায়রবা ?



সার, পাখৎপীনু, সারগী ফমদা কনাসু শীংনরক্কদবা লৈতে...!

## এ আরগী কেম্প ময়াদা বোম পোকখায়বদা নুপামচা ১ শিরে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা এটেচ তৌদুনা লৈবা ৪০-এ আরগী পোষ্ট ময়া নক্না মতিক ময়ায় চেল্লবা আই ঈ দি অমা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা পোকখায়বদা মমাগা ফুদিৎ খপমিন্নবা চৎপা চহী ১১খক্তমক ঙাইরিবা নুপামচা অমা শিরে।

লৈখিদ্রবা নুপামচা অদু লিলোং তুরেল অহনবী শাবন মথক্তগী এম দি ৱাহজুদ্দিন (১১) অপোকপগী মিং এম দি হিফাজুদ্দিন কৌই। নুপী অনী নুপা অনী পোকপগী মনুংদা মহাক্না অহুমশুবনি। হৌজিক হৌজিক লিলোংদা লৈবা খৃষ্টান ইংলিশ স্কুলদা ক্লাস টু তম্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, য়াম্না নংবা ইমুংদা পোকপনা লাইরিক তম্বা চৎতবা নুমিৎতা মমাগী মতেং পাংবা ওইনা মমাগা লোয়নননা লৌবুক্তা ফুদিৎ খপ্পা চৎমিন্নে। ঙসিসু মহৌশাগুম এ আর পোষ্টকী হেক মনিংদা লৈবা শাগোল লৌকোন্দা মমাগা লোয়নননা ফুদিৎ খপ্পা চৎমিন্নখি।

লৌকোন অদুদা মেছিন্দা লৌ য়ৈখিবা মফম অনী লৈ। মমা নোঙাল্লে বিবীনা মফম অমদা ফুদিৎ খপ্লিঙৈদা অতোপ্পা লৌ য়ৈখিবা চরু ইকু ময়াদা থম্লম্বা ফৌ হাপ্লবা বোরা লৌরুনবা মমানা থৌদাবদগী মচানুপা অদু বোরা লৌবা চৎখি।

নুপামচা অদুনা চরু ইকু পৈফম ময়া অদুদা চঙখিবা ইকান-কান্নদনা অহৌবা মখোলদা বোম পোকখায়বগী মখোল তাখি। মফমদুদা চঙখিবা মচানুপা উখিদ্রে খন্দুনা মমানা চেনশিন্দুনা য়েংলুবদা হকচাংগী মতৎ-মতৎ তৎলবা কয়াৎ ঙাক্তা চাইনা তারগা লৈরম্বা থেংনবদগী মমা ৱাম্বরকখি। খুদক্তা ময়াম চেনশিন্দুনা মমা হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

লৌবুক্তা বোম পোকখায়দুনা অঙাং অমা শিরে হায়বা পাউ ফংবদগী অঙাং অদুগী অপোকপা হিফাজুদ্দিনসু মফম অদুদা চেল্লকখি। মচানুপাগী হকচাং মতৎ-মতৎ তাদুনা লৈরম্বদা মহাকসু ৱাম্বরকপদগী মীয়াম্না হোস্পিটালদা পুখৎখি হায়রি।

বোম পোকখায়রিবা মফম অদু লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা লৈবা ৪০-এ আরগী পোষ্টতগী মিটর ৩০০ লোমতমক লাপ্পী।...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## মোদি ঙসি নুংথিল পুং ২.৫৫দা থুংলরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ
ইম্ফালদা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক পুং ১.৩০গী খোঙচৎ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২.৫৫দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলগনি।

অখন্নবা লান্মীগী এরয়ক্রাফট অমনা গুৱাহাতিদগী ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হেক থুংবগা মণিপুরগী গভর্নর কৃষ্ণ কান্ত পোল, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, হেল্থ মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিং, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেটরি পি সী লোমকুঙা, দি জি পি সহিদ অহমদ অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম চাওবনা তরাম্না ওক্কনি।

মফম অদুদগী নরেন্দ্র মোদি টিদ্দিম লম্বীদা অখন্ননা থৌরাং তৌরবা বুলেট প্রুপ কার তোংলগা সঙাই ফেষ্টিবেল মেন ভেন্যু ওইরিবা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর



(বোট)দা খোঙশাল্লক্কনি। শঞ্জেম্বোং থোং য়াখিদবনা মরম ওইরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর কৈশাম্পাৎতগী নিত্যাইপাৎ চুথেক তারক্লগা জেনরেল পোষ্ট ওফিসকী ট্রাফিক আইলেন্দ ফাওদুনা লাক্কনি। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েট মমাঙ ফাওদুনা লাক্লগা ওল্ড থুম্বুথোং থোং লান্দুনা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর য়ৌশিল্লক্কনি।

প্রাইম মিনিষ্টর য়াওবা অচৌবা থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা বোট আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী রেকোর্দতা মীওই ৪,৫০০ রোম তিনবা য়াই হায়রি। অদুবু মী ক্রিক-ক্রিক ইন্ননা ফম্লবদি মীওই লীশিং ৭ ফাওবা ফম্বা য়াগনি। সিট কেপাসিটি য়াম্না য়ামদবা মরম্না হয়েংগী থৌরম অসিদা মীওই কয়া অমা য়াওবা ফংলরোইদ্রা হায়না মিপাইবা পোক্লরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা বোটতা থুংলবদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিং, এম এল এ, অৱাংবা থাক্কী সিবিল অমসুং পুলিসকী ওফিসারশিংনা তরাম্না ওক্কনি। হয়েং নুংথিলগী পুং ৩.১৫দা বোটতা হেক থুংবগা সঙাই ফেষ্টিবেল লোইশিনবা থৌরমগী চীফ গেষ্টকী ফম্ফম্লাংদা প্রাইম মিনিষ্টর ফমগনি। গভর্নর ডো. কে কে পোল, চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা মথংশিংনা স্পেসল গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইগনি। গেষ্ট ওফ ওনরনা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিটর টি ঐচ লোকেশ্বরনা ওইগনি।

নীংথিরবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমা উৎলবা তুংদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## ইন্দিয়া চাউখৎকে হায়রবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং চাউখৎহনগদবনি : নরেন্দ্র মোদি

গুৱাহাতি, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী) ঃ
মেঘলয়াগী মেন্দিপথরদগী গুৱাহাতি ফাওবা চেনগদবা অহানবা ট্রেন রিমোট কন্ট্রোলনা গুৱাহাতিদগী লমথারবা তুংদা পাঙথোকপা থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া নুংঙাই-য়াইফহনগে অমসুং চাউখৎকে হায়রবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং চাউখৎহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভাইরবিদগী সাইরাং ফাওবগী অনৌবা রেল লম্বী অমগী প্লেক অমসু মায়খুম হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি, রেল নেটৱার্কতা ষ্টেট অমা হাপচিনবা ঙসিগী থৌরম অসি ইন্দিয়ন রেলৱেজগী পুৱারীদা মরুওইরবা তাঙ্কক অমনি। ইনফ্রাষ্ট্রকচরনা দিবেলপমেন্টকী লম্বীদা অহানবা খোঙথাংনি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহল্লবদি মীয়াম্নসু দিবেলপমেন্টকী থৌদাং কয়া য়াবা ঙম্মী। অৱাং নোংপোক ষ্টেট ৮ দা গুদ কন্নেক্টিভিটি লৈরবদি লমদম অসোমদা নুঙাই-য়াইফবা,...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## 'মালেমগী টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমত্তা ইন্দিয়াদা খোঙদাবা ফংহল্লোই'

গুৱাহাতি, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী) ঃ
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি গুৱাহাতিদা পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেলশিং অমসুং ইন্সপেক্টর জেন-রেলশিংগী ৪৯ শুবা চহীগী কনফরেন্স হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা মালেমদা লৈবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমত্তা ইন্দিয়াদা খোঙদাফম ফংহল্লোই হায়খ্রে।

অনৌবা মতমগী থাক ৱাংবা পুলিস ওইহন্নবা অমসুং মীয়ামগা মরুপ ওইবা ফোর্স ওইহন্নবা থাজবা পীরদুনা হোম মিনিষ্টরনা পুলিস ফোর্সশিংদা হাঙলিবা ফমশিং মেনশিন্নবা ষ্টেটশিংদা অপিল তৌখি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পুম্নমক পাংগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মথৌ তৌবদা পুন্সি লোমখিবা মথৌনা ফবা পুলিস পার্সনল পুম্নমক্তা রাজনাথ সিংহনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি অমসুং লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা পুলিস মেমোরিএল অমা শানবগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*







ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২